# “ইপাম লমদম নুংশিবী-!”

– এল ইবোমচা –




অখণ্ড-অহৈশিংনা হায়, মালেম লৈশেম্বা লোইরগা কংলৈপুং অসি ঈশিংনা থুমদুনা লৈরম্মী। ঈশিং অদু কংলৈ কোয়বা লাইনা খা মায়কৈদা চিথবীখি। ঈশিং অদু কংথরক্লবা অদুৱাইদগী কংলৈপুংদা মায়কৈ মরিদগী মীশিংনা খুন্দারক্লম্মী অমদি মীগা লাইগা শম্নবা ইবুধৌ নোংদা লাইরেল পাখঙবনা কংলৈপুংদা নিংথৌ ওইনা পাল্লম্মী। মতমদু মীগা লাইগা শম্না-নক্লে, শম্না মফৈ অমত্তনা খনবনি, লাইনা মী ওইদুনা তাইবঙপান্দা খোঙদারকই, লাইগা মীগসু করি করিগুম্বদা চারৌ মৌরৌনৈ। মতমদুদা ইবুধৌ নোংদা লাইরেল পাখঙবনা কংলাদা নিংথৌ ওইনা পানবদগী কংলৈপুংগী মীয়াম্না ফৌ-চেঙ, উহৈ-ৱাহৈ, মনা-মশিং কয়ামুক কৎপা লাক্লরম্মী। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা থৱায়রেল, পোইরৈতোন অমসুং মচন ইবেম্মা লাইস্নাসু ফৌ-চেঙ, উহৈ-ৱাহৈ, মনা-মশিং কৎপা লাক্লম্মী। ইবুধৌ নোংদা লাইরেল পাখঙবনা লাইস্নাগী চেঙলৌ শক্তম উরুবদা অপাম নুংশিনা পুমঙাও হেক ঙাওরম্মী অমদি মাগী লৈমরেম্বী ওইরগে হায়দুনা চপ য়ুংনা খল্লম্মী। মরম অসিদগী মবুং অনীমক্তা লাইস্নাবু মহাক্কীলৈমরেম্বী ওইহনবদা য়াহনবীয়ু হায়না কন্না তক্লবদগী য়াবীরক্তুনা কংলাদা লৈমরেম্বী ফমথোন ফংখি। খরনি লৈরগা মবুং থৱাইরেল অমসুং পোইরৈতোননা মচন ইবেম্মা লাইস্নাবু হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নুমিত্তা মোইরাংগী ময়ূমদা চাক কৌরম্মী। মথেল লুকোই কয়া লাংলবা চাক্কৌবদু মচিন মৌপ্বা পূন্না অৱা-নুংঙাইগী ৱারী কয়া শানদুনা চরা চামিন্নরম্মী। অসুম্না য়াম্না কুইনা উনরুদ্রবা তুংদা মচিন মৌপ্বা মখোয় অহুম চরা চামিন্নবা ফংবদা লাইস্না অদুক্কী মতিক পেঞ্জরম্মী।

চরা চিন্দম্বা লোইরবা মতুং কংলাদা হল্লমদাইদা মচন ইবেম্মদা মবুংঙো নোংদা লাইরেল পাখঙবগা পূন্না চরা চিন্দমিন্নরুনবা পোৎরৈতোননা মাগী লৌবুক্তগী লোকচবা চাকহাও চেঙ হাপ্পীরম্মী। মচন ইবেম্মসু হরাও-হরাও চেঙ অদু পুরক্তুনা মবুংঙোগা চরা চিন্দমিন্নরম্মী। মুরপ তৌবা চেঙদুনা থোংবা মনম নুংশিনা হাওরবা চাক অদুগী মহাও ইবুধৌ নোংদা লাইরেল পাখঙবনা তংলুবদা ইস: চাক অসিগী মহাওসিদি হায়রকপগা লোয়ননা চেঙ অদুগী মরম থিগৎলম্মী। লৈমরেম্বী লাইস্নানা চাকহাও চেঙ অদু মবুং পোইরৈতোননা মাগী লৌবুক্তগী পুথোকপনি হায়না তম্বদগী মবুংঙো ইবুধৌ নোংদা লাইরেল পাখঙবনা মপূং ফানা খঙলে। মসিগী তুংদা ইবুধৌ নোংদা লাইরেল পাখঙবনা হয়েং তুং ফাওবা চেঙ অসি মুৎপা নাইদনা লৈহৌবা ওইরসনু হায়না য়াইফ-থৌজাল পীবগা লোয়ননা মবুং পোইরৈতোননা পুথোকপা চেঙনি হায়দুনা ফৌ অসিবু চাকহাও পোইরৈতোন হায়না মমিং থোল্লম্মী।

অসুম্না লাই হাক্তক্তগী হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা খুদিংদা পাঙথোক্তুনা লাক্লবা নিঙোল চাক্কৌবা অসি ঙসিদি মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী নিঙোল ওইবীশিংগী চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং লাকপা চাউরবা কুম্মৈ অমা ওইরে। কুম্মৈ অসি কনা কনাগুম্বনা নিঙোলনা পীবা চাক্কৌরম্বদগী মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিগী হাক্তক্তগী নিঙোল চাক্কৌবা ওন্থোকখিবনি হায়নৈ। কনা অমনা মহারাজ পামহৈবা, মহারাজ গম্ভীরসিংহগী হাক্তক্তা মণিপুরদা হিন্দু ধর্ম্মনা য়ক লাউনা চৎনরক্লবা মতমদা মপানগী হিন্দুগী মতৌ তম্বনি হায়নবসু লৈ।

অমবু ওইরে, অমবু ওইরে হৌজিক পাঙথোক্লিবা নিঙোল চাক্কৌবা অসি ঐখোয়গী ওইবা চপ চাবা কুম্মৈ অমা ওইরে। মণিপুরদা লৈরিবা কুম্মৈশিং অসিগী মনুংদগী নিঙোল চাক্কৌবনা খ্বাইদগী চাউরবা কুম্মৈনি হায়বদা কনানসু ককপা ঙম্লরোই। অদুবু থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইত্রিবদি কুকিশিংনা মণিপুর মচেৎ তানা থুগায়রগা কুকিলেন্দ কন্ত্রি অমা শেম্নবা মে ৩, ২০২৩, য়ূমশকৈশাগী নুমিদাংৱাইরম য়াচংবদগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা লান অসিনা মরম ওইরগা চহী খরা অসিদা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবী নিঙোলশিং নিঙোল চাক্কৌবা য়াওদনা লৈরক্লিবা অসিনি।

মণিপুরগী কুম্মৈশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং লাকপা নিঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈ অসি মীতৈ থাজৎতা মেরা নোংমা পানবা (মেরা চাওরেল হৌবা) নুমিত্তগী মণিপুরগী নিঙোল ওইবীশিং মথুম-মরাং হৌবা হৌরক্লে। খূৎশা থেক্তুনা নিঙোল চাক্কৌবা নুমিৎ কয়ানি ৱাৎলিবগে হায়না পাবা হৌরক্লে। দুর্গা পুজা, হিয়াংথাং বর, ক্বাক তানবা, মেরা ৱায়ুংবা, দিপাবলি, গোবর্দ্ধন পুজা, নিঙোল চাক্কৌবা, হরি উথান, মেরা ৱাফুকপা কুম্মৈ মথং- মথং লৈরে। কুম্মৈশিং অসিগী মনুংদা নিঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈনা খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈনি। ৱাদি নিঙোলশিংগী নিঙোল চাক্কৌবা হায়জবনি, কুম্মৈ অসি মণিপুরদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কী কুম্মৈনি।




অনকপদা ময়ূম পানবা নিঙোলশিং নত্তনা খরা অরাপ্পদা ময়ূম পানখিবা নিঙোলশিংদি চাক্কৌবা নোংমা নীনি ৱাৎলিঙৈ মমাঙদগী মপামদা হান্ননা থুংনখ্রবনি। অমরোমদা ময়ূম পানখ্রবী নিঙোলশিংদি চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং মপাম লমদা চৎপা নুমিৎনি। নহান মখৈ ইমুং-মনুংগী কোল-লিক, ৱাইরম শেংদুনা চাকথোঙ ফৌশু তৌদুনা, ফিরোল শাদুনা ময়ূম ময়ূমদগী হেন্দোক্তনা লৈরম্বদু মপামদা চৎতুনা মপা-মমা, মচিন মৌপ্বা, মখুরা মতোন উন্নজবা নুমিৎনি। মপুরোইবগী ঈ-তোংগী মহুৎ শিল্লবা মচাবু মী ওইনবা শেম্বদা অমদি মপুরোইবগী থৌগলদা ঙাইহাক্তংসু পোত্থাজবা ফংজদবদু মপাম লমদা চৎচবা ফংজদুনা মপা-মমা, মচিন মৌপ্বা পূন্না হরাও মোমোন নোক্তুনা অৱা-নুংঙাই ৱাতানবা ফংজবদা হান্নগী অৱাবা পূম্নমক কাউদুনা পোত্থাজবা নুমিৎনি।

মীতৈ নুপীশিংদি শা চাদবনা ঙানা চাক্কৌবগী মরু ওইবা মথেল অমা ওই। য়ূমথোঙ খুদিংনা ঙা অমা তাউরগা ঙা অমা থোংলগা নিঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈ পাঙথোক্লে। নিঙোলশিংনা মপামদা লাকপদা মপা-মমা, মচিন মৌপ্বা, মখুরা-মতোননা চানবা কোল্লা, চমপ্রা, লফোই, য়ুবী, ক্বা অমদি অথুম-অহাওগী অচা-অথক কয়া পুরদুনা লাক্লে। চাক চাবা হেক তোকপগা মায়কৈ ফাংনা ওংনখিবী মমান্নবীশিং অমসু-অমসু উন্নবা চৎনরম্মী। উন্নদুনা ইমুং-মনুংগী অৱা-নুংঙাই, অরৈ-লৈতগী ৱারী-ৱাতাই মরীক চুম্না শানৈ। নুংঙাইবগী ৱারী ওইরগনা ফাক-ফাক নোকমিন্নৈ। অদুগা অৱাবগী ৱারী ওইরগনা অমগা অমগা কোন্নদুনা ও খোংনা কপমিন্নৈ। নোকপা য়াবা নোকমিন্নরবা, কপ্পা য়াবা কপমিন্নরবা মতুং-হিংচাবী নঙবু নুপানদি লুনা চান্না তৌবিব্রা? হায়না হংবদা অদুবুদি য়াম্না লুনা তৌবী খুল্লক্লবদি অদুনিদনা নুঙাইবা হায়দুদি অদুদগী হেন্না নুংঙাইবা কদায়দগী কোৎলুনিগে হায়না নোকমিন্নৈ। অদুগা ইপাম লমদমসে নুংশিদ্রা নঙবু হায়না অমনা অমদা হংনৈ। অমনা খুল্লকই- করিগী নুংশিদনি হায়গে, ইপুরোইবগী লমদম্না করিসু হেন্দে, অদুনবু “ইপাম লমদম নুংশিবী” হায়নরিবনি। ইপাম লমদা অশি-অনা, খুদোংথীবা অমত্তং থোকপদা ইশাদা চৈনা ফাওই। নুংঙাইবা পাউ তাবদা হায়নীংঙাই লৈতনা পেঞ্জবীনি। খঙদে-খঙদে, নোং হেক ঙানবগা ইপাম লমদমগী অৱা-নুংঙাই পাউ তানীংবনা লাংতক্লদুনা লৈ। নঙদি? ঐসু নঙগা চপ মান্নৈদা হায়রগা মথং চহীগী নিঙোল চাক্কৌবদা অমুক উন্নরসি হায়রগা কায়নরম্মী।

মশুং মমান্নবী উন্নবা য়াবা উন্নরুরবা তুংদা মপামগী য়ূম হেক য়ৌরকপগা মপা-মমা, মচিন মৌপ্বাশিংনা মানা হেক থুংলবগা ফম্লনবা থাদুনা থল্লম্লিবা কৌনা ফত্তুদা ঙেক, ফমথরগা অরৈবনা অরৈবগী হৌনবা অরঙ-অরাক্কী পোৎ চৈশিংনা খুদোল ওইনা তৌজরবসু অয়াম্বনদি শেৎন-ইন্নবা ফনেক ইন্নফিগী মথক্তা ঙমজবা শেল হাপ্তুনা নিঙোল চাক্কৌবগী খুদোল ওইনা নিঙোলশিংদা তৌনরম্মী। অদুগা মথং চহীগী নিঙোল চাক্কৌবদসু অৱা-অনা, অনা-অয়েক নংদনা নকোক ফাওবা চিক্তনা লাকপা ঙম্বা ওইয়ুকো হায়না মপা-মমা, মচিন মৌপ্বাশিংনা মকোক্তা নাম্থবীদুনা য়াইফ থৌজাল পীবিরম্মী।

নিঙোলশিংনসু মপা-মমা, মচিন মৌপ্বাশিংনা নিঙোল চাক্কৌবগী খুদোল ওইনা হাপ্পীরক্লিবা ফনেক, ফিরোল অদু হরাও হরাওনা লৌশিল্লি। অদুগা মপা-মমা, মচিন মৌপ্বাশিংগী কোক্তা মখূৎনা নাম্থবীদুনা অনা-অয়েক, অৱা-অনং য়াওদনা পূন্সি নুংশাংনা নুংঙাইনা পানবা ওইরো! ঐসু চহী খুদিংগী “ইপাম লমদম নুংশিবী-!” দা লাকপা ঙম্বা ওইজগে হায়না মপা-মমা, মচিন মৌপ্বাশিংদগী য়াইফ থৌজাল নীজরগা চহীদুগী নিঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈ লোইশিল্লি।-? ●

# ন্যুক্লিয়র ইভনিং (নাপলগী ইখৌ লাংনবদা অহিংবা থৱায়শিংগী লাইবক)

– বি সী খুমন –

হায়নৈ ছত্রং (চেছ) কী পোদি লানগী পোরমনি। হৌজিক মালেমগী ওইবা অঙকপগী মশক ওইগদবা লাঞ্জাও অমগী পো কাঙনরি। কনানা লান ঙমখি মফম খঙলোইদবা লাঞ্জাওনি, ন্যুক্লিয়রগী লাননি। য়ু এস, রসিয়া, চাইনা ন্যুক্লিয়র ইরাগী মশানা মশাবু তৌগেতা ঙম্বা অকনবা লৈবাক্লি হায়না খম থেংনা মঙক হাইগৎনরি, মীচং খোম্নরি। হেন্না নাতৈ চাদ্রিবনা অঙাংনা মৈ শান্নবগুম শান্নরিবা ন্যুক্লিয়র পৱারদা ঙাওরিবা নোর্থ কোরিয়ানি। থাজদবা মীকুপ অমদা য়াম্না শাথীবা, পাক্তক্লনা মীশি-মীনা থোক্কদবা, অচৌ-অচৌবা সহর কয়া উফুল ওনখিগদবা, ফুরা-দলান, উমং-ৱামং পাক্তক্লনা উৎ ওনখিগদবা, শম্না হায়রবদা অহিংবা থৱায় পানবা মুৎথ্রগদবা ‘ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ’ লোন্না নৎত্রগা ফোংনা লৈনরে। হেন্না নুংনাংনীংঙাই ওইরিবনা ন্যুক্লিয়র পৱার পায়দ্রবদি উশিৎপীদ্রে খন্নদুনা লায়রবনা খম থেংলবা লৈবাক মচা মচাশিংসু ন্যুক্লিয়রগী মঙ মঙনরি। অৱাবদা অৱাবা হাপ্পরি। মায় পাকপসু লৈরোইদবা লানগীদমক লমজেল তান্নরিবা মঙক হাইগৎপা লৈবাক খরনা মালেমসি মথক মখা ওনখিনি শুকখন খন্থদনা করিগী ন্যুক্লিয়র ৱার থোকহন্নীংলিবনো? ৱাহংসি হংনা-হংনা পাউখুমসু লেপ্তুনা থিগদবনি। অমুক্তং থোকখিবা ন্যুক্লিয়র ৱারনা চারোল-শুরোল হাক্তকফাওবা থরক হুনগৎকদবা লানগী চৈথেং ওইগনি হায়বসি ‘হেবিচুয়েল ফেক্ট’ নি, অচুম্বনি।



অদুঙৈ অনীশুবা লাঞ্জাও মমৈদা য়ু এসনা হিরোসিমা নাগাসকিদা থাদখিবা ‘লিট্টল বোই’, ‘ফেট বোই’ অনীদুদি ঙসি-ঙসিগী ন্যুক্লিয়র খূৎলায় ময়ামসিগা চাংদম্নরুরদি বম্বুলাগা বোমগা চাংদম্নবনি। হৌজিক্তি মীওইবগী নাপল য়াওবা, কা হেনবা হৈশিংবনা মালেমগী মরাইবক লেপখ্রনি হায়বসি থাজবা সুম-সুম হেল্লক্লি। হেন্না ফীভম শোকচিল্লিবনা তৌগেতা ঙমখ্রবা খূৎলায়শিং অসিনা কৈথেলগী ‘য়োন্নপোৎ’ ওল্লক্লিবসি টেররিষ্ট আউটফিটশিংগীদি ‘শিদ হীদাক’ ওইখ্রনি, হার চাইবীবা থোকখ্রগনি। ‘কৈ মচা চাউনবা য়োক্লুবা মপু চাই’ পাউরৌগী ৱাহন্থোক খঙদবা মঙক হাইগৎপা লৈবাক খরগী ‘ওইজবা থিবা কৈথেল’ না মালেমসি তংদু লৈতাহন্দবনি খঙদ্রিবা করিগীনো? হৌজিক্কী মতমসিদি মীওইবনা থাজনা লাৎনরম্বা লাই খুদিংমক শিখ্রবনা লাই লৈত্রবা মতমনি। ফত্তবশিং মনীং-মখা তন্নে খন্না মখে লাংলিবা মতমনি। মীয়াম খম থেংনা ৱাগদবা মতমনি। কনবীনবসু থোরক্লোই। ‘ন্যুক্লিয়র ইভনিং’ মোমোন্নরি।

অদুঙৈ য়ু এসকী ন্যু মেক্সিকোগী রোজৱেলদা অতোপ্পা প্লানেটতগী পাইরকপা স্পেসক্রাফ্ট অমা ক্রাশ লেন্দিং তৌখি হায়নৈ। স্পেসক্রাফ্ট মনুংদা য়াওরম্বা এলেইনগী বোদিশিং অমদি স্পেসক্রাফ্ট অদু এরিয়া ৫১ হায়না খঙনবা য়ু এসকী নেভদাদা কনা খঙহন্দা তূমিন্না থিজিন হুমজিনখি। মদুদগী ফংলকপা অরোন-অথুপ কয়াদুনা য়ু এসনা এদভান্স ৱিপন অমদি স্পেসত্রাভেল টেক্নোলোজিদা মালেম পূম্বদগী কা হেন্না মাঙজিল থাখিবনি থাজনরি।

ৱারী অমনা অদুঙৈ কুমজা ১৯৮৯-৯০গী মরক্তা মতমদুগী সোভিএট য়ুনিয়নদা থোকখিবা এক্সত্রাটেরেষ্ট্রিএলশিংগী ইস্পেক্ট অকিবগী মশক্লি হায়নখি। সোভিএট ক্রুপশিংনা ত্রেনিং এক্সর্সাইজ অমা চথরিঙৈদা য়ু এফ ও অমা য়াম্না নেম্না মখোয় তম্না পাইশিল্লকখি। মমিৎ মনা শীংবা লান্মী অমনা খূৎলৈ থুনা সর্ফেস টু এয়র মিসাইল অমনা য়ু এফ ও অদু থাদুনা ক্রাশ লেন্দিং তৌখি। কাইরবা স্পেস ক্রাফ্ট অদুদগী মথিক নেম্বা মী মানবা, মকোক চাউবা, অচৌবা মমিৎ পানবা এলেইন মঙা থোরক্লগা পুনশিন্নদুনা মতুম তাবা পোৎশক অমগুম লৈখি। মীকুপ খরগী তুংদা অঙকপা মতুম তাবা পোৎশক্তু সুম চাউখৎলকপগা লোয়ননা য়াম্না লংবা মঙালগা লোয়ননা পোকখায়রকখি। খুদক্তা সোভিএট লান্মী ২৩গী হকচাং নুঙগী য়ূম্বীগুম লেঙদনা চপ লেপ্তুনা লৈখি। শুনু নুঙনা শাবা মীতম ওনখি। মরুম অমদা লুমদুনা লৈহৌবা লান্মী ২দি মঙালদুগী ইস্পেক্ট ফংহৌদবনা হিংহৌখি। ৱারীসিমক সোভিএট য়ুনিয়ন মচেৎ তানা কাইখ্রবা মতুং (কুমজা ১৯৯১) গী ৱারীনি, সোভিএট য়ুনিয়ন তংদু লৈতাদ্রিঙৈ মতমনি। লমায় ২৫০ পানবা কে জি বিগী রিপোর্ট সী আই এনা ফংখিবদগী খঙনরকপনি। চুম্বা নৎত্রগা লানব্রা হায়বদুদি হায় লেভেল কন্সপিরেসিগী মরুমদা লৈখ্রবনিনা অমম্বদা মীৎ উইশিল্লগা ইশানা ইশাবু থিবগুম্বনি।

রসিয়াগী কে জি বি, আমেরিকাগী সী আই এ অমদি লৈবাক কয়াগী মতিক মঙম লৈখ্রবা এজেন্ট/স্পাইশিংগী সেক্রেট সোসাইটি কয়ামরুম লৈনৈ। মখোয়গী তৌবা ঙম্বশিং মপান নাইদে। অদুগুম্বা এজেন্ট/স্পাইশিংদুগী মরক্তা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনসু অমনি। কে জি বিগী থৌনা ফবা এজেন্টনি। মীনা হায়রকপা নাইদনা চপ চাবা ফিরেপ লৌবা হৈবা মীশক্লি। য়েক্লবশিং শোন্থহনবা ঙম্বা, তঙাইফদনা লান তৌনবা তারবদি খূৎ থাবা হানগদবনি হায়বসি মহাক্কী ফিরেপনি। ঙসি ঙসিমক্কী য়ুক্রেন ৱার পুতিনগী তৌবা ঙম্বগী মগুণ তাকপগুম্বনি। অমরোমদা, য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প ‘রিএল ষ্টেট আইকোন’ নি। লল্লোন ইতিক্কী লম্‌দা খম থেংনা হৈশিংলবা, মায় পাক্লবা বিজিনেশমেননি। অচুম্বা ফিরেপ লৌবা হৈখ্রবা লুচিংবনি। দোনাল্ড ত্রম্পকী তারিফনা লৈবাক কয়া মথক-মখা ওলহনবা ঙম্লিবসি মহাক্কী হৈশিংবননি। চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিনপিংসু মোং হাদনা চাইনাবু মালেমগী থাক্তা মকোক থোংহন্নবা হোৎনরিবা কম্যুনিষ্ট থিওরি মাষ্টরনি। য়ু এস, রসিয়ানা খৌতক চারিবা চাইনাগী প্রসিদেন্টনি। শক্তি লৈখ্রবা লুচিংবা অহুমগী তোঙান তোঙানবা কন্সপিরেসি থিওরিগী শাফুদা মালেমগী লৈবাক কয়া ইথক ইরৈ কল্লবা সমুদ্রদা তাওবা হিনাওগুম ফেরে-ফেরে হাইনরিসিনি। শক্তি পূম্বনা য়োল্লবা অঙকপা ন্যুক্লিয়র ৱিপনশিংনা মখোয়না কনাবুসু কিদ্রে। অরেপ্পা মতম্মক খঙদ্রসু ন্যুক্লিয়র ৱারদি শোয়দনা থোক্লগনি হায়না অখণ্ড অহৈশিংনা লাইফাও ফাওনখ্রে। ন্যুক্লিয়র ইভনিং অসুম অসুম নকশিল্লক্লি।

মঙাল য়াওদনা, মৈশা ফংদনা নৎত্রগা উপাল-ৱাপাল হৌবা ঙমদনা লোয়ননা জিব পানবা হিংবা ঙমদবা মতম অমা মালেমসিদা খুদোল তম্লক্কদৌরি। মদুনি ‘ন্যুক্লিয়র ইভনিং’। খুদিংমক উৎকী মপৈ ওনখিনি, থৱায় পানবা লৈত্রবা মালেম ওইখিনি। লান ঙম্বা, মায়থীবা কনাসু খঙলোই। নুংশিবসু মাঙখিনি, নাপলসু তুমখিনি, পুৱারীসু পাবীনবা লৈরোই। মসিনি ‘ন্যুক্লিয়র ইভনিং’ গী ইস্পেক্ট। ঐখোয় ন্যুক্লিয়র ইভনিং ঙাইনা হিংখিসিরা নৎত্রগা মাঙজৌননা মালেমসি অসুম্মক অহিংবা থৱায় পানবশিংগী হিংফম ওইহনসিরা? কান্নফম খঙদবা ন্যুক্লিয়র ৱারনা পীরক্কদবা চৈথেংশিং খঙনা অঙম তান্নরিবসিদং লেপখ্রবদি মালেমসি তংদু লৈতারক্কনি খনসিরা? কনাসু মীনাই ওইনা পোল্লক্তে, কনাসু মীখা পোন্না হিংনীংদে। শক্তি লৈরে হায়না লানবু খূৎলায়গী কৈথেল ওইবীনু। অচৌবনা অপীকপবু তুহৎপীনু। ‘ন্যুক্লিয়র ইভনিং’ ঐখোয় পামদে হায়না লাউফম থোক্ত্রা? ●

# থবাক্তা লোক লৈরবদি অকনবা লাইহৌ হৌরকপা য়াই

— ডা. কে কে পান্দে —

সিনিয়র থোরাসিক এন্দ ইন্দোথোরাসিক সর্জন
ইন্দ্রপস্থা এপোল্লো হোস্পিটালস, ন্যু দেল্লী

নহাক্কী হকচাংদা এগজামিন তৌরবা মতুংদা থবাক্তা লোক লৈবদগী লাইহৌ কন্না হৌরকপনি হায়বা নুংঙাইতবা ৱাফম অসি ডাক্তরনা ফোঙদোরকপা মতমদা ঙকপীগনু। থবাক মনুংদা লোক লৈবদগী মশা নুংঙাইত্রবা অনাবা মীওইনা কদাইদা চৎলগা লায়েংগনি হায়বা খঙদে, অদুগা মঙোন্দা পাউতাক চুম্না পীবা ঙম্বা মীওইসু লৈতে। মসিনা মরম ওইদুনা হায়রিবা লায়ওং অসি নমশিন্দুনা থম্বদগী নৎত্রগা শেরান-তুরান লায়েংবদগী মমৈথংদা নারিবা মীওই অদু মশাগী থবোম্বী অমসুং পূন্সি ফাওবা মাঙবগী ফীভম ওইরকই।


**থবাক মনুংদা লোক চেল্লে হায়বা করম্না খঙগনি ?** অসিগুম্বা মখলগী অনাবা মীওইশিং অসি মতম পূম্বদা লাইহৌ হৌবগী অৱাবা মায়োক্লে, অদুবু লাইহৌ অদু নুংথিলগী মতমদা চাং হন্থরগা নুমিদাং নৎত্রগা অহিংদা খোঙলৈ থুনা কনখৎলকই। অনাবা অদু লাইহৌ হৌবগা লোয়ননা হুমাং কা হেন্না থোকই। লোক খুবা মতমদা লোক পৈশিন্দুনা লৈরিবা থবাক্কী মফম অদুদা চৈনাখোল পোকই। করিগুম্বা নহাক্লা থা অমগী মমাঙদা ন্যুমোনিয়ানা নাখিবা নৎত্রগা থবাক্তা অশোক-অপন থোকখিবা অমসুং থবাক নাখিবা নৎত্রগা শোকখিবা থা অমগী মতুংদসু লোক খূবগা লোয়ননা লাইহৌ হৌবগী অৱাবা মায়োক্লদুনা লৈরবদি থৌশাদনা ফমদুনা লৈথোকপীগনু অমসুং খুদক্তা লেপ্পলগা নম্বা থবাক্কী এক্সরে অমা লৌথোকপীয়ু। মসিনা থবাক মনুংদা লোক লৈরে হায়বসি চাদা ৯৫ খঙবা ঙমহনগনি। থবাক্কী অলত্রাসাউন্দ লৌদুনা য়েংবগী কান্নবা অনী লৈ। অহানবদা, থৌওং অসিনা থবাক মনুংদা লোক নৎত্রগা ঈশিং লৈরে হায়বসি ময়েক শেংনা খঙহনগনি অমসুং অনীশুবদা মসিনা মনুংদা লৈরিবা লোককী চাং অদু লেপথোক্তুনা মদুগী মতুংইন্না চূনগদবা লায়েং মওং শেমগনি। অতৈ ইনভেষ্টিগেশনশিংসু মথৌ তাগনি।

**থবাক মনুংদা লোক লৈরিবসি করিনো?** থবাক্কী ৱাল অমসুং থবোম্বী অনীগী মরক্তা অহাঙবা মফম অমা লৈ। ঐখোয়না নীংশা হোঙ্জিনবা মতমদা থবোম্বী অসি ফন্দোক্লকই অমসুং হায়রিবা অহাঙবা মফম অসি পীক থলহল্লি। অসিগুম্বা অহাঙবা মফম অসিবু মেদিকেলগী লোন্দাদা প্লি য়ুরেল স্পেস হায়না কৌই। করিগুম্বা মরম অমদগী অহাঙবা মফম অসিদা লোকনা ফুনজিল্লক্লবদি মদুবু মেদিকেলগী মরোলদা ‘ইম্পয়েমা থোরাসিক’ হায়না খঙনৈ। ইম্পয়েমা থোরাসিক হায়বসি অচম্বা লোন্দাদা হায়বা তারবদি থবাক মনুংগী থবোম্বীবু লোকনা য়োমশিন্দুনা থম্বা হায়বনি।

**থবাক মনুংদা লোক লৈরিবা করিগীনো ?** থবাক মনুংদা লোক পৈশিন্দুনা লৈবগী খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবা মরমদি, ন্যুমোনিয়ানা নাবা নৎত্রগা থবোম্বীদা ট্যুবরক্যুলোসিসনা নাবা অসিনি। থবোম্বীগী অকোয়বদা লোক মানবা ঈশিংগী য়াম্লবা শরুকশিংনা য়োমশিন্দুনা লৈ। হায়রিবা অনাবশিং অসি নীংথিনা লায়েংদ্রবদি অহাঙবা মফমদা লৈরিবা ঈশিং অদু লোইনমক লোক ওল্লকই।

**থবাক্তা শোকখিবনা মনুংদা লোক লৈহল্লকপা :-** থবাক মনুংদা লোক লৈরকপগী হেন্না মরু ওইবা মরম অমনা থবাক্তা শোকখিবা হায়বসিনি। লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোক অমদা শরূ হুমদাং তেকপা হায়বসি য়াম্না তোয়না থোকই অমসুং মসিনা থবোম্বীদা অকায়বা থোকপগা লোয়ননা থবাক মনুংদা ঈ লৈহল্লকই। হায়রিবা ঈ অসি থবাক মনুংদগী মতম চানা লৌথোক্ত্রবদি ইনফেক্সন থোক্লকপা য়াই অমসুং তূংদুনা লৈরিবা ঈ অদু লোক ওনবগী চাং হেনগৎলকই।

**থবাক মনুংদা লোক লৈবগী অতৈ মরমশিং :-** থবাক মনুংদা লোক তাশিন্দুনা লৈরকপগী অতৈ মরমশিংসু লৈ। খুদম ওইনা অশোক-অপন থোকপা নৎত্রগা কেন্সরনা মরম ওইদুনা থবাক মনুংদা লৈবা চীঞ্জাক-উতোংদা অহোবা লৈবা, ব্রোঙ্কা প্লিয়ুরেল ফিষ্টুলা (বি পি এফ) হায়বা লায়না অসিনা নারকপা মরমদগী থবোম্বীদা ওপরেশন তৌরবা মতুং নৎত্রগা য়াঙলেন শরূদা শোকপা হায়রিবশিং অসিসু পনবা য়াই। করিগুম্বদা লিভরদা নাই চাদুনা পোম্বদগী পোকখায়রক্তুনা থবাক্তা নাই অদুনা লোক ওল্লকপসু য়াওই।




**নীংথিনা লায়েংদ্রবদি খুদোংথীবা কয়া থোকহল্লি :-** চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা অঙাংশিংবু ন্যুমোনিয়ানা নাহল্লকপদা, থবাক মনুংগী থবোম্বী অকোয়বদা লোক মানবা ঈশিং তূংশিল্লকই অমসুং চাইল্ড স্পেসিএলিষ্টশিংনা লোক মানবা ঈশিং অদু পোত্থা-পোত্থা ইনজেক্সননা খজীক-খজীক চিংথোকই। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা লোক অদু থবাক্তগী মপূং ফানা কৈদৌনুংদসু চিংথোকপা ঙমদে। থবাক্কী অহাঙবা মফমদগী লোক মানবা ঈশিং পূম্নমক লৌথোক্তবা অসিনা অরুবা ফীভম অনীখক মায়োক্লহল্লি। অহানবদা, অনাবা অদু মপাঙ্গল কনবা এন্টিবাইওটিক ফনা য়াম্না থাবা তারবসু মপূং ফানা ফহনবা ঙমদে অদুগা অনীশুবদা ‘ব্রোঙ্কা প্লিয়ুরেল ফিষ্টুলা’ (বি পি এফ) হায়বা লায়না অসিনা নারকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। হায়রিবা ফীভম অসি ওইরক্লবদি থবোম্বী লৌথোকপা নৎত্রগা পূন্সি মাঙবা য়াই।

**থবাক্তা লোক লৈরবদি করি তৌগনি ?** অহানবদা, এক্সপরিয়েন্স লৈরবা থোরাসিক নৎত্রগা চেষ্ট সর্জন অমগা তান্নবীয়ু অমসুং মহাক্কী লমজিং মখাদা লায়েংবীয়ু। পুং ২৪ থোরাসিক সর্জন অমা লৈবা হোস্পিটাল অমদা চৎপীয়ু। লোক লৈবা অদু হৌরকপদা ঙাইরিবা ওইরবদি থবাক্তা উতোং অমা থিঞ্জিল্লগা লোক অদু লৌথোকপা অমসুং লোক মাঙহনবা হীদাক খরা হাপচিল্লগা মায় পাক্লা লায়েংবা য়াই। থবাক্তা লোক লৈবা থা অমখক্তা ঙায়রিবা ওইরবদি থোরাকোস্কোপি নৎত্রগা রোবোট অমগী মতেংনা থবাক মনুং অদু লোক লৈহন্দনবা শেংদোকপা য়াই। থা অমা হেন্না লোক লৈবা ওইরবদি থবাক মনুংদগী লোকশিং অদু শেংনা লৌথোক্লবা অমসুং থবাক্তা অনা-অয়েক থোক্লকপা য়াবা পূম্নমক থিংহৌনবগীদমক্তা ওপন সর্জরি অমা পাঙথোকপা মথৌ তাগনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।